# HUEIYEN LANPAO

# হুয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর, কামজোং ফোরেষ্ট দিভিজন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল দে ফোর বাইওলোজি-কেল দাইভর্সিটিগী শরুক অমা ওইনা উ চারা থাখিবগী শক্তম



লামায় ৪

ফিসরিজ ওফিসর সেনাপতিনা শীন্দুনা তুংজোই ভিলেজদা পাঙথোকপা স্কিল দিভলপমেন্ট ওন পেন্দি কম ফিস কলচরগী ত্রেনিং লোইশিনবা থৌরমগী শক্তম অমা



লামায় ৪

দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস থৌবালনা ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি মণিপুরগা পুন্না খুৎশম্ন-দুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল দে ওফ বাইওদাইভর্সিটি ২০১৯ থৌরমগী শক্তম



লামায় ৫

ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী ওফিসলশিংনা আই এস বি টি কমপ্লেক্সতা দ্রাইভ চথদুনা মৈখু কা হেন্না চেনবা অমসুং অহৈবা মখোলগী গাড়ীশিং চেক তৌবগী শক্তম



লামায় ১

Vol. 43, Issue No.55 | শগোলশেন, কালেন ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, May 23, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## লোক সভা মীখল : ইন্নরগী মীরেপ ১১, আউটরগী মীরেপ ৮গী মরাইবক ঙসি খঙলগনি

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): তরাতরেৎশুবা লোক সভা মীখল ২০১৯গী ইন্নর অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী ভোট মশীং হয়েং থীননবগীদমক শেম-শাবা পূন্নমক লোইখ্রে। ইন্নরগী মীরেপ ১১ অমসুং আউটরগী মীরেপ ৮ গী মরাইবক হয়েং খঙলগনি।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী আর ও ওইরিবা দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টনা মীখল অসিগী ভোট মশীং থীবগা মরী লৈনবা থবক থৌরাং খুদিংমক শেম-শাবা লোইখ্রে। ইন্নরগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরগী দি সী কমপ্লেক্সশিংদা কাউন্টিং হোলশিং থৌরাং তৌদুনা লৈখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মরি অসিগী দি সী কমপ্লেক্সতা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ৩২ গী ভোট মশিং থীগনি। হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগী হৌনা ভোট মশীং থীবগী থবক চথগনি। পোষ্টেল বেলোট হান্না থীরবা মতুংদা ভোটিং মেছিনশিং মশিং থীগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা ভোট মশীং থীবগী শেম শারিবশিংসু চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) পি কে সিংহ লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা এপ্রিল ১৮দা পাঙথোকখিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীখলদা পূন্না মীরেপ ১১না লম্বা পানখি। মীরেপশিং অদুদি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী ডা. আর কে রঞ্জন, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) গী ডা. এম নরা, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) গী ও নবকিশোর, মণিপুর দেম্মোক্রেটিক পিপলস ফ্রন্ট (এম দি পি এফ) কী জি তোনস্না, রাষ্ট্রিয় জনহিট সঙঘর্শ পার্টি (আর জে এস পি) গী সেঞ্জম নন্দেশ্বর, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) গী আর কে আনন্দ, মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) গী ও জুগিন্দ্রো অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইখিবা আর কে সোমেনদ্রো এলিয়জ কাইকু, এম তোমতোমস্না, দল্লিয়ু পোবিত্র অমসুং মোহম্মদ ইলিয়াজ খাননি।





আউটরগী ওইনসু দি সী ওফিস কমপ্লেক্সশিংদা ভোট মশীং থীনবগী থৌরাং পুন্বা লোইখ্রে। ভোট মশীং থীবগী থবক চথগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা কাউন্টিং হোলশিংগী অকোয়বদা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অমসুং ষ্টেট পুলিস ফোর্সশিংগী টিমশিংনা ঙসি নুমীদাংদগী হৌনা মরোল কয়া থোক্লা ঙাক শেনবগী থবক চথখ্রে। ভোট মশীং থীবদা শরুক য়াগদবা ওফিসল খুদিংমকসু থৌরাং তৌদুনা লৈখ্রে। হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ওফিসলশিং অসিনা দ্যুটি তৌগদবা টেবলশিং অদু খঙহনগনি। চেকশিন থৌরাং ওইনা ওফিসলশিংনা মথৌ তৌগদবা টেবলশিং অদু মাঙ-জৌননা লাউথোক্ত্রি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা কাউন্টিং হোলশিংদা ভোট মশীং থীবা য়াওগদবা পর্সনেল পুন্নমক্তি শেম-শাদুনা লৈখ্রে। হয়েং নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ গী মতুংদা মীখলগী ফল খঙলবা য়াই হায়না পান্নরি।

ষ্ট্রোংরুমশিংদগী কাউন্টিং হোলশিংদা ঈ ভি এম অমদি পোষ্টেল বেলোটনচিংবা য়াওনা মীখলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং পুরকপা মতমদা ভিদিও কভরেজ তৌগদৌরি। মীখলগা মরী লৈনবা প্রোসেসশিং নীংথিনা পায়খৎনবগীদমক সী সী টি ভি কেমেরা কয়া কাউন্টিং হোলশিংগী অকোয়বদা ফিট তৌদুনা য়েংশিন্নবা শেম-শাখ্রে। কাউন্টিংগা মরী লৈনবা ওবজার্ভরশিংসু থুংলবগা লোয়নননা শেম-শারিবা পুন্নমক য়েংশিনখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

হৌখিবা এপ্রিল ১১দা পাঙথোকখিবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীখলদা মীরেপ ৮ লম্বা তৌনখিবনি। মীরেপশিং অদুদি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) গী কে জেমস, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী বেঞ্জামিন মাটে, নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী থাংমিনলেন কিপগেন, নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী লোরহো এস ফোজে, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) গী অসাং কছার, জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু) কী হংখনপাও তাইথুন, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী অঙম করুং কোম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ লৈখান কাইপুনি।

## মৈখু কা হেন্না চেনবা, মখোল হৌবা গাড়ীশিং ফাবগী দ্রাইভ চথখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিংদা চেল্লিবা মৈখু কা হেন্না চেনবা অমদি মখোল হৌবা গাড়ীশিং চেক তৌদুনা ফাগৎপগী দ্রাইভ চথখ্রে।

ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী ওফিসলশিংনা ঙসি খুমন লম্পাক্কী আই এস বি টি কমপ্লেক্সতা গাড়ীশিংগী ইমিসন টেষ্ট তৌদুনা মৈখু কা হেন্না চেনব্রা হায়বা চেক

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### HL Poll

Q: Arunachal Pradeshki MLA hatkhibagi matangda centrena matik chaba thourang loukhatlakkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Tongan-Tonganba Exit Pollsinggi reportta NDAna mai pakkani hairibasi chap chana chumgani haina khanbra?

Yes 34% No 66%

### Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |

FIRE SERVICE

| | | |
|---|---|---|
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

### Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | AIZAWL |
| Air India | 12:20 |
| IMPHAL → | BENGALURU |
| IndiGO | 10:30 |
| IMPHAL → | DELHI |
| Air Asia (India) | 13:00 |
| IndiGO | 14:30 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:30 |
| IndiGO | 12:20 |
| Air India | 14:20 |
| IndiGO | 13:45 |
| IMPHAL → | HYDERBAD |
| IndiGO | 10:00 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 11:00 |
| IndiGO | 14:35 |
| IndiGO | 16:45 |
| Air India | 14:45 |

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১৬ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৭০ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৭

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৫

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 77.759405 |
| US Dollar | 69.715535 |
| British Pound | 88.285572 |
| Australian Dollar | 47.933877 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.095364 |
| Japanese Yen | 0.632015 |
| Malaysian Ringgit | 16.640602 |
| Australian Dollar | 47.933877 |
| Singapore Dollar | 50.533452 |
| South Korean Won | 0.058574 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.591302 |
| Thai Baht | 2.183110 |
| Myanmar Kyat | 0.04540 |
| Bangladesh Taka | 0.82534 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 32235.29 |
| Mumbai | – | Rs 33155.08 |
| Delhi | – | Rs 32941.18 |
| Kolkata | – | Rs 33283.42 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- ওজাগী স্কুল অসিবু অঙাং লৈত্রবরা?





- গুলি পীজনি হায়রুবদগী অমত্তা কারক্তে ডোক্তর!

এম য়ু ৱাথোক্কা মরী লৈনবা কেসশিংগী মতাংদা হায় কোর্টকী কম্মন জজমেন্ট এন্দ ওর্দর

## এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা ভি সীগী থবক পুখিগনি

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৮দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর ওইখিবা প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দে মফম লৌথোক্কদবনি হায়বগী মতাংদা মহৈকোল অসিগী কম্যুনিতি অহুম্না মীয়ামগা লোয়নননা চঙশিল্লকখিবা অকনবা খোঙজংশিংনা মরম ওইরদুনা নুমিৎ ১০০নি হেন্না মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা ফংদবগা লোয়নননা ওইরকখিবা ফীভমশিং অদুগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ম্যেন কেস মঙাগী কম্মন জজমেন্ট অমসুং ওর্দর ঙসি লাউথোকখিবগা লোয়নননা এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহ (রিটয়র্দ আই এ এস) বু ভি সীগী থবক থৌরমশিং মখা তানা পুখিনবা খঙহনখ্রে।

ৱাথোকশিং অসিগা মরী লৈননা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদুনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) নম্বর ৪৯ ওফ ২০১৮ (পিটিস্নর চোংথাম নিমাই), পিটিস্নর প্রোফেসর কে য়ুগিন্দ্রোগী রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩২৭ ওফ ২০১৮ অমসুং ১০৮৪ ওফ ২০১৮, প্রোফেসর এ পি পান্দেগী দল্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৮২৫ ওফ ২০১৮ অমসুং পিটিস্নর প্রোফেসর অমর য়ুম্নামগী দল্লিয়ু পি (সী) নম্বর ১০৩৬ ওফ ২০১৮নি।

কেসশিং অসিগী মথক্তা পি আই এল নম্বর ৪৮ ওফ ২০১৮সু এম য়ু ৱাথোক্কা মরী লৈননা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখি। অদুবু পি আই এল অনী অসিগী ৱাকৎশিং চপ মান্নবগী মথক্তা রিট পিটিসনশিংদসু মান্নবা রেসপোন্দেন্টশিং অমদি ৱাফমশিং য়াওবদগী মহৈকোল অসিগা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন পুন্নমক পুনশিন্দুনা কোর্ট অসিগী জষ্টিশ লানুশুংকুম জামির অমসুং জষ্টিশ খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চতা কেসশিং অসিগী ৱায়েল চথদুনা লাকখিবনি।

দিভিজন বেঞ্চ অসিদা পুনশিল্লবা কেসশিং অসিগী হিয়ারিংশিং কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱার ৮, ২২, মার্চকী ১, ৪, ৮, ১৫, ২৯ অমসুং মমাঙ থাগী ৫ অমসুং ২৬তা পাঙথোক্লবা মতুংদা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবনি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তারকপদা জষ্টিশ অনীগী দিভিজন বেঞ্চতা কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দগী ৮ ফাওবদা মিসেলিনস কেসশিংগা লোয়নননা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎপা কম্মন জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসি লাউথোকখিবনি।

দিভিজন বেঞ্চ অসিনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা পি আই এল নম্বর ৪৯ ওফ ২০১৮ দিসপোজ তৌবগা লোয়নননা পীরিবা দিরেক্তিভশিংদি শিল্ড তৌদুনা থম্লক্লিবা 'রিপোর্ট' অদু হায় কোর্ট অসিগী রেজিষ্টার জেনরেলনা ইন্দিপেন্দেন্ট টু মেম্বর কম্মিটিগী সেক্রেটরি কম

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এন এস সী এন (আই-এম) গী দেজিগনেটেদ কেম্পশিং লৈহন্দনবা পুং ৭২গী মনুংদা লৈঙাক্কী ফিরেপ খঙহনগদবনি : য়ু সী এম

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা এন এস সী এন (আই-এম) গী দেজিগনেটেদ কেম্পশিং তকথোক্লবা পুং ৭২গী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী চপ চাবা ফিরেপ খঙহনগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না ফোঙদোকখ্রে।





লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খি, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা এন এস সী এন (আই-এম) গী দেজিগনেটেদ কেম্পশিং লৈরি। মসিগীসু মথক্তা লমদম অসিদা সিজ ফায়র চৎনবগী মওং তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা এন এস সী এন (আই-এম) না থোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট কয়ানা ময়েক শেংনা তাক্লবনি। মসিদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লমদম অসিদা সিজ ফায়র চৎনবা লৈতে হায়রিবনি। ৱাফম অসি মণিপুর মীয়াম্না কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। মণিপুরদা সিজ ফায়র চৎনদে হায়বদু লাক্লিবা পুং ৭২গী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীয়মদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি।

মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০০১গী জুন ১৪দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা বেঙ্কোক দিক্লারেসন্দা ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট হায়বা ৱাফম য়াওরকপদগী লমদম অসিগী মীয়াম্না হৌনরুবা তৌদনা চঙশিল্লকখিবা ঈহৌদা মমল য়াম্লবা থৱায় ১৮ পোন্থা পীখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা চহী অদুমক্কী জুলাই ২৭তা ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট হায়বা ৱাফম অদু হন্দোক্লে হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লাউথোকপগা লোয়নননা সিজ ফায়র অসি নাগালেন্দ দখক্তদা চৎনরগনি হায়খিবনি।

কুমজা ২০১৫দা অমুক ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবনি। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টতা করি ৱাফম য়াওরি হায়বদু ঙসি ফাওবা খঙহন্দনা লাকখিবনি। লমদম অসিদা এন এস সী এন (আই-এম) গী দেজিগনেটেদ কেম্প কয়া লৈ হায়বসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লূপ অসিগী মীওই কয়া খূৎলায়গা কোন্নবা ফাখিবা থৌদোক্লা ময়েক শেংনা তাক্লবনি। লালহৌবা লূপ অমখক্কী ইন্টরেষ্টতা য়েংলগা লৈঙাক্লা লমদম অসিদা সিজ ফায়র চৎনহল্লকপা তারবদি মদুগী অফবা লৈরোই। মণিপুর মীয়াম্না লমদমসিদা সিজ ফায়র চৎনহনবা য়ারোই হায়দুনা লৌখিবা ফিরেপ্তা অহোংবা লৈতে। মণিপুরদা এন এস সী এন (আই-এম) গী সিজ ফায়র চৎনবা য়ারোই। মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হীরমসিগী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লাউথোরক্তবদি কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী ঈহৌ অদুগুম্বা অমা অমুক লাকহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## নোংলৈ-নুংশিংনা হুমদোকখ্রবা স্কুল শেমজিন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি



ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী মফম কয়াদা চহী অসিগী এপ্রিল ১৫ দা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিংনা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ককচিংগী ক্লাস রুম কয়াগী য়ুমথক হুমদোকখিদুনা অকায়-অতোয় থোকখিবা কয়া ঙসি ফাওবা মরী লৈনবা লোয়শঙনা শেমজিন্দনা লৈরকপা থৌওং য়ানিংদবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিংদা লৈবা স্কুল অসিগী কেম্পসতা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা স্কুল অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মোইরাংথেম নেলসননা ফোঙদোরকপদা, চহী অসিগী এপ্রিল ১৫ দা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা কেমিষ্ট্রি অমসুং বাইওলোজিগী লেবোরেটরিগী কা, ক্লাস এলেবেন সাইন্সকী কা, লাইব্রেরীগী কা, কম্প্যুটর ক্লাস রুমগী য়ুমথকশিং হুমদোকখিবনা লাইব্রেরীগী লাইরিকশিং অমাঙ-অতা থোকহনখিবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মসিগীসু মথক্তা স্কুল অসিনা লন্নাইগী ওইরিঙৈ, লৈঙাক্লা লৌশিন্দ্রিঙৈদা শাবীরম্বা হোলগী য়ুমথক হুমদোকখিবা অমদি নোংপোক থংবা শরুক্তা হোল অসি ফিট

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): লোক সভা মীখলগী ভোট মশীং থীবগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমদা পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চীংনবদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী খৎন-চৈনবা থোকহল্লকপা য়াবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মরী লৈনবা চীফ সেক্রেটরি অমদি দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা মথৌ তাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎতুনা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি।

ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন অমদি ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ত্রেল থম্লিবা ষ্ট্রোঙ রুমশিং চেকশিন্না ঙাক শেনবগা লোয়নননা ভোট মশীং থীগদবা মফম পুন্নমক্তা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবসু মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা খঙহল্লক্লি।

মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্টনা হায়, ভোট মশীং থীবা নুমিৎতা পামদবা থৌদোক থোকহল্লকপা য়াবা মওংদা মায়কৈ খরদগী ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা মরম্না ভোট মশীং থীবগী থবক্তা য়ারিবমখৈ অপনবা থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি।

উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, বিহার অমদি ত্রিপুরানচিংবা ষ্টেট কয়াদা ওর্গনাইজেসন অমসুং লন্নাই মীওই খরনা ভোট মশীং থীবগী থবক্তা অপনবা থোকহন্দুনা খৎন-চৈনবা থোকহল্লকপা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লে হায়না সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা পাউ ফংলবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী চেকশিন ৱারোল অসি পীরকখিবনি।

এপ্রিল ১১দগী মে ১৯ ফাওবা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখল মতুংদা হয়েং ভোট মশীং থীনবা মথৌ তাবা থৌরাং পুন্নমক লৌখৎপা লোইখ্রবনি।

## ইদুসিটিনা অফবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন এগজাম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলকখ্রবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা ইদুসিটি তেরা তোংব্রম লৈকায়না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।





সগোলবন্দ তেরা তোংব্রম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী হান্নগী সেক্রেটরি এল মুকুন্দোনা চীফ গেষ্ট, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা এস ও ওইরম্বা এল দেবেননা প্রসিদেন্ট অমদি সিনিয়র সিটিজন টি ঐচ মনাওনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

ইদুসিটিগী মেনেজিং দিরেক্টর ভিক্টোরিয়া কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখিবদা, ইদুসিটি অসি ট্যুটরিএল সেন্টর ওইনা হাংবনি। মসিদা তম্লিবা ক্লাস টেনগী মহৈরোয়শিংনা পোজিসন লৌরকপা অমদি ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা পূক্নিং থৌগৎলি। সেন্টর অসিদা তম্বা মহৈরোয় কয়ানা সী বি এস ঈগী এগজামদা মার্ক চাদা ৯০গী মথক্তা ফংবা ঙমখি। ইদুসিটিগী ওইনা হন্দক্না অহানবা ক্লাস টেন থাবনি। ট্যুসন সেন্টর অসিগী অঙাংশিংনা অহানবা মেত্রিক থাবদা বোর্দকী ৭শুবা, ৮শুবা, ১১শুবা, ১২শুবা, ১৯শুবা, ২২শুবা অমসুং ২৩ শুবা পোজিসন য়াওরি। ফর্ষ্ট দিভিজন্দা মহৈরোয় ১৩ য়াওরকই।

সী বি এস ঈগী ওইনা চাদা ৯০ গী মথক্তা ফংবা মহৈরোয় তরেৎ য়াওরকই। মহৈরোয় ২৭ ঙসি ওক্লি। সেন্টর অসিনা ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবা তাক্লি। ক্লাসতা খরা অশোনবা য়াওরকপশিং তোঙান্না ক্লাস লৌদুনা ফগৎনবা হোৎনৈ। মার্ক ৱাংনা ফংবা খক্তা নত্তনা মশাদা ৱাখল লৌশিং লৈহন্নবা হোৎনবনি। চহী অমদা কম্পিটিসন অহুম্লক পাঙথোকই। পোজিসন লৌরকপা মহৈরোয়শিংদা স্কোলারশিপ পী। থাগী ওইনা অহানবদা লুপা লিশিং ১, অনীশুবদা লুপা ৭০০, অহুমশুবদা লুপা ৫০০ পী। ঐচ এস এল সী এগজামগী মেথ সবজেক্টকী কম্পিটিসন পাঙথোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা এলেবেন ক্লাসতা তম্নবা সাইন্স সবজেক্টকী লাইরিকশিংসু মহৈরোয়শিংদা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

## সেন্টর ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টদিজ লীংখৎনবা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ফোরেন ত্রেদ (আই আই এফ টি) কী কোলকটা কেম্পসতা সেন্টর ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টদিজ লীংখৎনবগী মতাংদা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন ঈ সী) অমসুং আই আই এফ টি ন্যু দিল্লিনা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খূৎয়েক পীনখ্রে।

এন ঈ সী অমসুং আই আই এফ টিগী মরক্তা পার্টনরসিপ মোদেলদা সেন্টর ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টদিজ লীংখৎনবগী মতাংদা এন ঈ সীগী সেক্রেটরি রাম মুইভা অমসুং আই আই এফ টিগী প্রোফেসর কে রঙ্গরাজন্না এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখিবনি।



আই আই এফ টি কোলকটা কেম্পসতা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টদিজগী অনৌবা সেন্টর অমা হাংদোকপনা তোঙান তোঙানবা থৌশিল কয়া শেম্বগা লোয়নননা ত্রেদ প্রমোসন স্কিমশিং পায়খৎপদা চাউনা খুদোং চাহল্লগনি হায়না থাজনরি। সেন্টর অসিদা ইন্টরনেসনল ত্রেদকী মতাংদা রিছার্স তৌবগা লোয়নননা অৱাং নোংপোক লমদমগী পোত্থোক কয়ামরুম মপান লৈবাক্তা থাদোকপদা মতেং ওইনরগনি। তোঙান তোঙানবা থৌশিল কয়া শেম্বদসু অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌরগনি।

এন ঈ সী অমদি আই আই এফ টি কোলকটাগী ওফিসলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সেন্টর ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টদিজগী ৱেবসাইট অমসু কাউন্সিলগী সেক্রেটরি রাম মুইভানা লোঞ্চ তৌখি। এন ঈ সীনা মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমসুং ত্রিপুরাগী চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখিবনি।






HL-P/4134/7/5-5/6